অঙাংগী বাইবল

খুদোল তাম্জারী

# মীওইবাগী অ্রাবগী হৌরকফম



অইবা : Edward Hughes

লাই ꯂয়কিপবা : Byron Unger; Lazarus

চুনাহান্বিবা : M. Maillot; Tammy S.

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

ফোংদোকিপবা : Bible for Children
www.M1914.org

©2013 Bible for Children, Inc.
লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোক্পা য়াই অদুবু ꯂয়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।

ইশ্বরনা খুদিংমক সেম্বিরম্মি ! ইশ্বরনা
অহান্বা মী অদমবু সেম্বিরম্মি, মহাক্কি নুপী
ঈভকা লোইননা ইডেন লৈকোন্দা লৈরম্মি ।
মখোই য়াথং ইন্দুনা মপুংফনা নুংঙাইনা
ঈশ্বরগা লোয়ননা লৈরম্মি
নোংমাগী নুমিৎ অদুফাওবা ...





লিন্না ঈভতা অসুম্না হাইরম্মি “ঈশ্বরনা নখোইদা উ খুদিংমক্কী উহৈ চাগনু হাইরমব্রা?” মহাক্না পাওখুম পিরম্মি “উ খুদিংমক্কী উহৈ চাবা য়াই অদুবু উ অমগী উহৈদি য়াদে। করিগুম্বা মদুগী উহৈদু চরাবাদি নত্রগা শোক্লাবাদী ঐখোই শিগনী”। লিন্না হাইরম্মি নখোয় শিরোইদা ।



“নখোয় ঈশ্বরগুম্না ওইরক্কানি” । ঈভনা উহৈদু য়াম্না পামলম্মি। ঈভনা লিনগী ‿াদু লৌরম্মই অমসুং উহৈ অদু চরম্মি।

ঈভনা ইশ্বরগী য়াথং ঙাত্রবা মতুংদা
অদমদসু উহৈ অদু পীরগা চাহল্লম্মি।
অদমনা চারোই হায়বা য়ারমবানি,
“ঐ ঈশ্বরগী য়াথং ইনগনি ” ।





অদম

অমসুং

ঈভনা পাপ তৌরবা মতুংদা, মখোই মশাদু
ফি সেত্তে হাইবা থংলম্মি। হৈরিংকি মনানা সেল্লানাবা
ফিগুম তুরম্মি,মদুনা মখোয় মসাদা সেংচিল্লম্মি অমসুং
ইশ্বরবু কিদুনা মখোয় মোনশোংদা লোৎলম্মি ।

অইংবা নুমিদাঙ্গাইরমদা ঈশ্বর লৈকোন্দা কোইথোক্লক্লম্মি। অদম অমসুং ঈভনা করি তৌখ্রে হাইবা মহাক খংলম্মি। অদমনা ঈভতা মরান শিরম্মী। ঈভনা লিনদুদা মরান শিরম্মি। ইশ্বরনা হায়রম্মি, “লিনদুসু সিরাপ ফংলাবনী। নুপীনা অঙাং উনাবাদা নাওুয়ক হেংগৎকানি” ।



“অদম, নংনা পাপ তৌবগী মরম্না,
পৃথিবী অসিসু নাপি অমসুং তিংখংনা
থল্লাবা সিরাপ ফংলাবনি। নহাক
নাশাগী অ্রামন নত্তানাদি নোংমাগী
চিঙ্গাক ফংলোই”।





ঈশ্বরনা অদম অমসুং ঈভপু
নুংঙাইরবা ইডেনগী লৈকোন্দগী
তানথোক্লক্মি। মরম্দি মখোইনা
পাপ তৌরম্মই, মখোয়
অহিংবা
ইশ্বরদাগী
লাপথোক্লক্মি!



ইশ্বরনা মখোয়বু মৈগী থাংনা
ঙাকথোক্লাম্মি। ইশ্বরনা অদম অমসুং
ঈভকিদামক সাউনগী ফুরিত সেম্বিরম্মি।
ইশ্বরনা সাউন অদু
কদায়দাগী
লৌরম্মি ?

মতম খরাগী মতুংদা, অদম অমসুং ঈভকি ইমুং চাওখৎলম্মি। মখোইগী অহান্বা মচা নুপা, কেইন, ইংখোল কোইবা মী ওইরম্মী। মখোইগী অনিশুবা মচা নুপা, অবেলনা, য়াও সেনবা ওইরম্মী।



নোংমা কেইন্না ইংখোলদগী মনা-মশিং খরা খুদোলপোং ওইনা ঈশ্বরদা পুরক্লম্মি। অবেলনা খ্বাইদগী ফজাবা য়াও খরা খুদোলপোং ওইনা ঈশ্বরদা পুরক্লম্মি। ঈশ্বরনা অবেলগী খুদোলপোং অদুবু হেন্না পাম্লম্মি।



ঈশ্বরনা কেইনগী খুদোলপোং অদুবু পাল্লাম্দে। মরম অদুনা কেইন য়াম্না শাওরম্মি। অদুবু ঈশ্বরনা হায়রম্মি, “নহাক্না তৌগদবা থবক অদু চুমনা তৌরবাদী ঐনা নঙবু পেল্লোইদ্রা?”



কেইনগী আশাওবদু হেন্না হেনগৎলম্মি। অদুগী ইকুই কুইদনা মহাক্কা অবেল্লু লৌবুক্তা হাৎলম্মী!



ঈশ্বরনা কেইন্দা হায়রম্মি। “নহাক্কি ননাওনুপা আবেলদি কদায়দা লৈখ্রে?” “ঐ খংদে হায়না” কেইন্না মচীন থিরম্মি। “ঐবু ঐগী ইনাও-নুপা সেন্নাবা মীরা?” ঈশ্বরনা কেইনবু মহাক্কী লৌ-ইংখোলদা থবক সুবা ঙমদনাবা চৈরাক পিরম্মি অমসুং মীরোং অমা ওইনা লৈহল্লম্মি।



কেইন ঈশ্বরদগী লাপ্লা চংখিরম্মি। মহাক অদম অমসুং ঈভকি মচা নুপী অমা মহাক্কি নুপী ওইনা লৌরম্মি। মখোই ইমুং অমা ওইনা পাল্লম্মি।



য়াম্না থুনা, কেইনগী মসুশিং অমসুং মসুগী মসুশিঙনা মহাক্না সেম্বা সহর অদু থল্লম্মি।



অদুগা লোয়ননা, অদম ঈভকি ইমুংসু য়াম্না থুনা চাওখৎলম্মি। অদুগী মতম অদুদা মীশিংগী পুন্সিসি হৌজিক্কি মতমদাগী য়াম্না সাংলম্মি।



সেথ পোকপা মতমদা ঈভনা হাই, “ঈশ্বরনা সেথ অসি অবেলগী মহুত শিন্দুনা ঐথোয়দা পিবিরে” । সেথ চহি ৯১২ হিংদুনা ঈশ্বরবু য়াম্না নিংজবা মী অমা ওইরম্মি অমসুং মচাশিং য়াম্না লৈরম্মি।



পৃথিবিদা,মীওইবগী ফত্তবা নোংমা-নোংমাগী চারোন অমদগী অমদা হেন্না হেনগৎলম্মি। মরম অসিনা অরোইবদা, ঈশ্বরনা মীওইবসি তুম্না মাংহল্লাগে হায়না খল্লম্মি অমসুং ...





... লম্লাক্কি শাশিং অমসুং উচেকশিং। ঈশ্বরনা
মীওইবাবু সেম্লুবাদু খল্লাগা য়াম্না নুংঙাইরম্দে।
অদুবু মী অমদি ঈশ্বরবু য়াম্না পেলহল্লম্মি ...

অদুগী মী অদু নোহা ওইরম্মি। সেথকি সুরোনদগী, নোহা ধর্মাচেনবা অমসুং অচুম্বা চৎপা মী ওইরম্মি। মহাক ইশ্বরগা লোয়নারম্মি।



মহাক মহাক্কী মচা অহুম্নুসু ঈশ্বরবু ইনবা তম্বিরম্মী। ঈশ্বরনা নোহাবু মহাক্কী অনিংবা লম্বি অমদা শিজিন্নাবা প্লান তৌরম্মি।



মীওইবাগী আবগী হৌরকফম

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মৈহৌরোন ৩-৬

“ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।”
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

লোইজারে

অসিগী বাইবলগী ৱারী অসিনা ঐখোইদা ঐখোইবু শেম্বিবা মতিক লৈবা অমসুং
অদোম্না থংবাদা য়াম্না মরু ওইবা মপু লাইনিংথৌ মহাক্কি মরম্দা ঐখোইদা তাকপি ।

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি, অদুবু ঈশ্বরনা নাহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী উসিন ওইনা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চতথি! নহাক্না যীশুবু থাজরাবদি অমসুং নহাক্কি নপাপশিংদু কোকপীয়ু হায়না মাঙোন্দা হায়জারবদি, মহাক্না সোয়দনা কোকপিগনি! মহাক নংগী পুন্সিদা লাক্কানি অমসুং মহাক্কা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নাবা ফংগনি ।

নঙনা মসি অচুম্বানি হায়না থজারবদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐ নংবু ঈশ্বরনি থাজাজৈ, নহাক্না তাইবংপানদা মী ওইনা লাক্কুনা ঐগী পাপকিদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগতপি । ঐগী পুন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী ইপাপসিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পুন্সি হৌজিক ফংজগে অমসুং নহাক্কা লোইনানা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংজাগে । নহাক্কি হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন ।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ! যোহান ৩:১৬